

# অমাং–অশেং খায়বসি চুমদবনি... রোজি

## সুর মৈতৈ

ঙল্লিঙৈ মতমদগী হায়নদুনা লাক্লি ঐখোয় ইমা অমত্তগী মচানি হায়না অদুগা ঙসিগী মীরোলনা হিংলিবা মহিং অসিদদি ঐখোয় মশেল মরক্তা অনেম–অব্রাং, অমাং– অশেং খায়রি মসি চুমদবনি। ফুরুপ কয়ানা



পুন্দুনা হিংমিন্নরিবা লমদমনি মণিপুর হায়বসি। ঐ ইশা বামোন ওইদুনসু হিন্দু ধর্ম্মগী কাহেনবা অমাং–অশেং খায়বা অসিমদি য়ানিংদে হায়না থিএটর অমদি ফিল্মগী লমদা খোংদাবতা নত্তনা ষ্টোরি রাইটর অমসুং ওইরিবী মশাগী চহি নৌরিবী হজারিময়ুম নিঙোল ব্রহ্মচরিময়ুম ওংবী রোজি দেবীনা মহাক্কী ওইবা ৱাখল্লোন পাউদম্লি।

রোজি মোইরাং ত্রোংলাওবীদা লৈবা ঐচ রোবিন্দ্রো শর্ম্ম অমদি ঐচ ওংবী প্রোমিলা দেবী অনিগী অহান্বা ওইনা ইং ১৯৮৬কী নবেম্বর ৬ শগোলশেল নুমিত্তা ফংজখিবা মচানুপীনি। মহাক্কা থারগা মচিল–মনাও নুপী তরুক নুপা অমানি। কখোকপা য়াওদ্রবা পুন্সি মহিংদি মী হায়না কৌরুবগী ৱাহম্বোক ৱাংকনি হায়না ঙল্লিঙৈ মতমদগী খঞ্জরকখিবী রোজি মশাগী চহি ৭–৮ শুরকপা ক্লাস সিক্স কারকপা অদুৱাইদা স্কুলগী থৌরম কয়াদা মশানা ইজাবা শৈরেং থিবনচিংবদা থৱায় য়াওরকখি। মহাক্না ক্লাস টেন কারকপা অদুৱাইদা মদোমচাগী নুপা মহাক্নদি কাকা সনাতোম্বা হায়না কৌজবা কাকা অসিগা খঙনবা ফিল্ম প্রদ্যুশর অমদা মখুরা অসিনা শকতাকপিরবা মতুং হায়রিবা প্রদ্যুশর অদুনা লৈখিদ্রবা ওজা লাইময়ুম বিষ্ণু শর্ম্মগী মনাক্তা পুশিন্বীদুনা এক্টিংনচিংবা মহৈ কয়া তম্বা ফংজখিবতা নত্তনা ‘শজিবুগী লৈহাও’ হায়বা সিলুল্যোইদ ফিল্মদা সপোর্ট্টিং রোল লৌবা ফংখি।

ইং ২০০৬ তা বামোন লৈকাই নহাবমদা লৈবা ব্রহ্মাচরিময়ুম সুসিলকুমারগা যুম্বাল লম্বীদা খোঙদামিন্নরবা মতুং দিসিরাজ কৌবা মচা নুপা অমা ফংজরবা মতুং ইং ২০১০ দা ওজা রন্বির মঙাংগী লমজিং মখাদা ধর্ম্মলোয়া সোসিয়েল ৱেলফিয়ার ক্লবকী অর্টিষ্ট অমা ওইনা প্লে কয়াদা শরুক য়ারকখি মদুগী মতুং কৈশামথোংদা লৈবা ‘রোএল ঠিএটর’ গী হোটেল তামা হায়বা প্লে অমসু শান্নখি।



ইং ২০১২ দা ‘ৱুমেন আর্ট এন্দ কলচর এসোসিয়েসন (ৱাকা)’গী অর্টিষ্ট অমা ওইনা মণিপুর শুমাং লীলাদা খোঙদারক্তুনা ‘ হিংনিংলিবা থৱায়’ হায়বা প্লে অমা অহান্বা ওইনা শক্তাকপা হৌরকখিবদুনা ঙসিফাওবদা হায়রিবা এসোসিয়েসন অসিগী অর্টিষ্ট অমা ওইনা লৈরি। মরক্তা এন টি ঠিএটরদসু মতম খরা য়াওরকখি।

মণিপুরগী ওইরিবা ফিভম অসিদা আর্ট তৌরিবশিংনা মরেক – মহাও থোক্না হিংবা হায়বদুদি খরা ৱানা থোক্কনি অদুবু ঠিএটর হায়রিবা অসিদি মরেক–মহাওমক থোক্না হিংবা ঙমদ্রবসু কন্না হোৎনরবদি অপীকপা ইমুং অমদি পুবা ঙমগনি হায়রিবী রোজিনা ঙসি ফাওবদা ফংলকখিবা এচিভমেন্টশিং পল্লবদা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি ইম্ফালনা শিন্দুনা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা পাঙথোকখিবা ৪১শুবা ওল মণিপুর শুমাং লীলা ফেস্তিভেল ২০১৪ দা এ কে বেঙ্গোলগী দিরেক্সন মখাদা ৱাকাগী অর্টিষ্টশিংনা শান্নখিবা ‘নোঙাল্লমদাই মালঙবা’ হায়বা প্লেদা ঈঙালৈগী শক্তম লাংখিবী রোজিনা অনিশুবা বেষ্ট এক্ট্রেস, ৪২শুবা ওল মণিপুর শুমাং লীলা ফেস্তিভেলদা ইবোয়াইমা খুমন্না দিরেক্সন পীবা ‘নাওশুমদগী মোংফম’দসু অনিশুবা বেষ্ট এক্ট্রেষ্ট, ইন্টরনেসনেল ঠিএটর ফেস্তিভেল, উটকল যুভা সজ্ঘানা শিনবা ইন্দিয়া ঠিএটর ওলেম্পিয়াদ ২০১৪ দা ২শুবা বেষ্ট এক্ট্রেস, ফিল্ম ফোরম মণিপুরনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা ৩শুবা নোং–ইন ম্যুজিক ভিদিও ফিল্ম ফেস্তিভেল ২০১৫ দা ‘থাদোক্তুনা চৎখিনু’ হায়বা অসিদা বেষ্ট এক্ট্রেস নোমিনি, অম্মিকনা শিন্দুনা জে এন মণিপুর দান্স একাদেমি ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা ‘বেষ্ট ওফ অম্মিক–২০১১’ দা বেষ্ট রিরিক্সকী মনানচিংবা ফংবা ঙমখ্রে।

ফিল্ম হায়বসিসু সমাজ অমগীদমক্তদি চাওরবা কলাগী ফম্পাক অমনি ফিল্মদা খোঙদাগে হায়রবদি ফিল্মদা খোঙদাদ্রিঙৈ মাঙওইননা ঠিএটরদা হান্না খোঙদাবা হায়বদি ক্লাস য়াওনা ফিল্মদা চংলকপনা তুংকোইনা কলা তৌবা ঙমগনি হায়না ফোঙদোক্লিবী রোজিনা ঙসি ফাওবদা কুমখিবা ফিল্মশিংদি শারমচৎ, নুংশিদ্রসু নুংশি, ৮০,০০০ মৈরাবা, হু, মশিজ্ঘা, বেম বেম, নোংঙাল্লে, মায়োল অমদি ইমানচিংবনি। ঙল্লিঙৈ মতমদগী ইবসু পান্না হৌরকখিবী রোজিনি। মহাক্না ইখিবা ফিল্ম ষ্টোরিশিংনা ঈতিনফম, নোঙাল্লে, মায়োল অমদি চখোম অমা অসিনি। পনবা য়াবা অমনা মহাক্না শান্নখিবা টেলি প্লে হায়বা তারগদি লমজা খোম্বা, মীহাৎপা কনানো অমদি লৈমনি লোয়ননা মহাক্না কুমখিবা সোর্ট ফিল্ম অমা পনবা তারগদি ‘ তন ’ হায়না পনবা য়াই। মশাগী চহি ২৯ মুক্তা ঙাইহিবী হোৎনজবগী মহৈদি অদুম্মক ফংবা হায়বসি মশানা তাবনি হায়না অচেৎপা থাজবা অমগা লোয়ননা লৈজরিবী রোজিদা হংখিবা ৱাহং খরগী পাউখুম পুন্না তামিন্নরবদা...


রোজিঃ ফিল্ম অমদি ঠিএটর অনিমক কলা ঙাক্তনি অদুবু মসিদা খেৎনরিবা হায়ববু ঠিএটরদি এক্টিং চাওই, চেকশিনবা, থৱায় য়াওবা অমদি হোৎনবা কনবা অমা চংই। শোয়বা য়াদবা, হনবা য়াদবা আর্ট অমা হায়বদু ওই অদুগা ফিল্ম হায়বসিদি অরাইবনি হায়বগী ৱাফমদি লৈতে অদুবু মসিনা খরা মখৈদি কোম্না এক্টিং তৌবা য়াবগী খুদোংচাবা হায়বদু লৈ। ফিল্ম কুম্বা অমনা ঠিএটরদা খোঙদারকপা মতমদা খরা ৱানা থোক্কনি অদুগা ঠিএটরদগী ফিল্মদা খোঙদাবদি খরা লায়না থোক্কনি হায়নিংই। আর্ট অসিদি তৌশিন্নবা য়াদে, পুকচেল শেংনা কখোকপনা মাংদা থল্লগা



খোঙদাবা অমা চংই। নাপল হায়বসিদি কৈদৌনুংদসু তৌরোইদবনি, নাপলনা লৈখাদা চিংথবা নত্তনা অতৈ লম্বী লৈরোই। খুনাই অমদা আর্ট হায়বা অসিনা চাওরবা কন্ত্রিব্যুসন পীদুনা লাক্লিবনি। আর্ট অমবু অরান্বা লম্বীদা খক চৎহল্লোইদবনি, চৎহনবা তারগদি ঐখোয় পুন্নমক্কী মাঙজবনি।

ষ্টেট এসেমব্লিনা মণিপুরগী য়েলহৌমী কন্নবা বিল অহুম পাস তৌখ্রবা মতুংদা লাক্লিবা চুড়াচান্দপুরগী ইশু অসি লোইশিন্নবা হোৎনবদা সেন্তরনা খুৎ থিংজিনহন্দনবা সি এল পিগী লেপ্পখিবা ৱারেপ অদুগী পরিংদা, কংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধিনা মণিপুর সি এম দা ঈঙ্গিৎ তৌরকখ্রে হায়না পাউ–চে শিংদা ফোংদোক্লবা ফাওবদা ঙসি ফাওবা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদ্রিবসি করিগীনো হায়বদুদি তশেংনা খঙদে অদুবু ঐগী ৱাখল্লোন্দদি ৱাখল খল্লি তৌরিনি।

সমাজ অসিদা হিংমিন্নরিবা ঐখোয় কনানা–কনানো হায়বা খঙনা চৎমিন্নসি কামশিল্লক্লিবা হু চেল্লবা মিৎ থল্লবা চৎনবী ৱাঙাল্লোন কয়াবু পামগুমসি। ৱাদনা নুঙাইনিংবা কয়াননি ঙসি লৈবাক অসি খোঞ্জেল য়াম্না থোকহল্লিবা। মরাল লৈরে হায়দুনা যুম থুদেকপা থুগায়বা অমদি নুপী ওইবীবু হম্বনা য়েংবীবগী চৎনবী অসিমদি মাঙহনখিবনা লমদম অসিগী অফবা হায়বদু ওইগনি হায়বনচিংবা কয়াসু রোজিনা পাউ–চে অসিদা থল্লক্লি।



## ফাগীগী নিংথৌ ওইনাম বাবুগী হৌখ্রবা পুন্সি খোঙচৎ ...

### ২৮ শুবা শরুক

### সুর মৈতৈ

***হান্নগী মখা...***

*মতাংদা লোইশিন্বীরমগনু হায়রম্লগা তাদ ঐখোয় অনিদা খোংশাংনা তিংথোক্তুনা খুরুম্লম্লগা চংখি। তাদ ঐখোয় অনি ৱা ঙাংনদে, য়েংদমক য়েঙনৈ। তাদ পুং, ধলবতু হান্নগী থমফম ফক মথক্তা থমখি। মাগী মতুং ইন্দুনা ঐসু কোর্তান তাদনা চীরোল ওইনা, নঙ ঐবু কৌথোক্লকউ হায়রম্লগা ফি শেৎফমলোমদা চংখ্রে। মীয়াম্না কোইশিল্লবা শুমাং ময়াইদুদা ঐ ইথন্ত লেহৌরে “ৱাকচিংগী গুলাপ” হায়রিবা লীলা অসি সহরগী পাখঙ অমগা খুঙ্গংগী লৈশাবী অমগা মচিন মনাওগুম নুংশিনবগী ৱারিনি হায়নসু পঞ্জখ্রে। ঐ ইথন্ত ঙাইহৌবদুদা তৌফম খঙদ্রদুনা ঐহাক্না দাইলোগ খরা ইপ্রুভাইজ তৌরগা মিনিট অনি অহুমরোম ঙাঙদুনা লৈরে।*

*–অসুক থেংলবা ফাওবা কদাইদবু চংখ্রবনো অঙাওবদুবু য়ুমথংনবদা মচল অমা শিরিবসি মাদি তাদবা জাংলা...*

*ৱাহৈ খরা অসি শেমজিন–শাজিন্দুনা ঙাংলে। মীৎকুপ খরগী মনুংদা তাদ বাবুনা কোইথোকলুবগী মওংদা য়ুমদা হঞ্জিল্লকপা শারদুনা ঈশৈ ঙংলগা য়াম্না নুঙাইনা থোরকই। ঐনা চৈরে।*

*–হায় কদাই চংলুই তাকু? য়ুম্লোনবগী লৈশাবী অমা শিরে অদুগা নঙনা কদাই লৈরুরিবা?*

*তাদনা ৱারি মথং মথং লিরকই। সাবিত্রি (শিরিবী লৈশাবী)দু হু চারেদনা দোক্তরদা পুখৎখ্রে তাবদা হোষ্টপিটালদা চংলুবা, দোক্তরনা চখাও তেংদুনা ওথোক্লবা হিদাক মথং–মথং কাপশিন্বদগী মমিং পাংলকপা, হিঙ্গৎলকপগী ৱারি মথং–মথং লিরকপদি শুকখরম্বা মীয়াম নোকপা হৌরক্লে। ঙাংবা হৌরবদি তাদ বাবু পাক লেপ্তে। মাগী হৌনবী মচু–মামেন থাকচিল্লক্লে । হিঙ্গৎহৌরবী নুপীমচা অদুনা নোক্তুনা মাঙোন্দা হৈমা ! তাদ নঙ লাক্লিরা? কায়না হংলকপা, তাদনা নঙ করি চানিংই হংবদা ৱাতিন চানিংই কাই হায়রকপা.... মথং... মথং...*













Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*